# অসামগী দিব্রুগরদা লেন পুবা নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুম চা কয়া মাঙহন তাকখ্রে, মহৈ মরোং কয়াসু মাঙ তাকখ্রে

দিব্রুগর, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সি):

অসামগী দিব্রুগরকী মফম কয়াদা লেন পুবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলকপদগী য়ুম ২০০ গী মথক্তা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসলশিং অদুগী মতুং ইন্না লেন পুবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুম কয়া মাঙহন তাকহনখিবা অদুদা মীশি মীনা থোকপগী পাউদি ফঙখিদে। দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী সেনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা লেন পুবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা নিংথৌকাবগী অহিং অথেংবা অমদি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা মোরান, টিনখোং, নাহরকাটিয়া অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মফম কয়াদা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা য়ুম কৈ কয়া মাঙহন তাকহনবদা নত্তনা পাক শন্না মহৈ মরোং কয়াসু মাঙহন তাকহনখি। মোরান সব-দিভিজনগী প্রিলিমিনরি এসেসমেন্টগী মতুং ইন্না খুঙ্গং ৩৭ তা পুন্না য়ুম ২১০ অমাঙ অতা থোকখি।



অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা শর্ম্মানা মীয়ামদা ৱার্নিং পীরদুনা হায়খি, মদুদি মেটিরিওলোজিকেল সেন্টরনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা লেন পুবা অকনবা নুংশিৎ শিৎলক্কনি হায়না প্রিদিক্সন তৌখ্রবা মতুংদা অদুগুম্বা নুংশিৎ শিৎচিল্লক্তুনা মোরান অমসুং টিংখোং রিভেন্যু সার্কলশিংগী মনুং চন্না লৈবা য়ুম কয়া অমাঙ অতা থোকখ্রে।

গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগী ওফিসলশিংনা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা অমাঙ অতা থোকহল্লিবশিং অদুগী অকুপ্পা এসেসমেন্ট লৌননবা ইন্স্ট্রক্সন পীখ্রে। লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা শোকহল্লবা মীওই পুম্নমক্তা গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেং পুন্না পীগনি হায়না মহাক্না ত্বিটর পোষ্ট অমদা পনখি।

মেট দিপার্টমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইস্যু তৌখিবা ৱার্নিংদা মথংগী পুং ২৪ গী মনুংদা অরুনাচল প্রদেশতা উন কন্না তারক্লগনি অমসুং অসাম অমদি মেঘালয়াগী মফম খরদা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎশিং শিল্লক্কনি হায়না পনখি।

গুৱাহাটিদা লৈবা রিজনেল মেটরিওরোজিকেল সেন্টরনা ইস্যু তৌখিবা বুলেটিন অমগী মতুং ইন্না মথংগী পুং ২৪ গী মনুংদা অরুনাচল প্রদেশকী মফম খরদা ময়াই ওইরপ্পা ফাওবগী চাংদা উন তাগনি। মেঘালয়া, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী মফম খরদা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎশিং শিৎলকপা য়াই হায়নসু বুলেটিন অদুদা পনখি।

বুলেটিন অদুগী মতুং ইন্না অৱাং নোংপোক লমদমদা মাক্যুরিগী লেভেল মখা তানা হাইথখিগনি। মিজোরামগী কেপিটেল আইজোলগী মিনিমম টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রি ৭.১ দা লৈবগা লোয়নননা ইম্ফালগীনা সেলসিয়স দিগ্রি ৭.৭ ওইবা য়াই। অগরটালা অমসুং গুৱাহাটিনা মথংশিংনা সেলসিয়স দিগ্রি ২৯.১ অমসুং সেলসিয়স দিগ্রি ২৩ ওইদুনা লমদম অসিগী খ্বাইদগী শাবা মফমশিং ওইরগনি।

# মীখলগা মরী লৈননা ট্রিপুরা গভর্ণমেন্টনা ইমপ্লোয়িশিংগী দিএ চাদা ১২ হেনগৎলগনি হায়না লাউথোকখ্রে

অগরটালা, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সি):

ট্রিপুরা গভর্ণমেন্টনা দিসেম্বর ১দগী হৌনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী এমপ্লোয়িশিং অমসুং পেন্সনরশিংগী দিআরনেস এল্লাৱেন্স (দি ই) অমসুং দিয়রনেস রিলিফ (দি আর) চাদা ১২ হেনগৎলগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর মনিক সহানা ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা হায়খি, মদুদি গভর্ণমেন্টনা তরেৎশুবা সি পি সি পে মেট্রিক্সতা য়ুম্ফম ওইরগা কুমজা ২০১৮ গী জনুৱারীদগী পে স্কেলশিং রিভাইস তৌরে। মসিগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী এমপ্লোয়িশিংগী দি এ চাদা ৮ দগী ২০ দা হেনগৎলে।

অগরটালাদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা সহানা হায়খি, মদুদি রিছোর্সশিং ৱাৎপগী খুদোংচাবা চাওনা লৈদুনসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ২০২২ গী দিসেম্বরদগী ইফেক্ট তৌদুনা চাদা ১২ কী চাংদা দি এ/দি আরগী মখা তাবা ইন্সটোলমেন্টশিং রিলিজ তৌনবা খন্নরে। দি এ/দি আরগী চাদা ১২গী ইন্সটোলমেন্ট রিলিজ তৌরবা মতুংদা ২০২২ গী দিসেম্বরদা রিলিজ তৌবা দি এ/দি আরগী চাং পুন্না চাদা ২০ য়ৌরগনি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর জিষ্ণু দেব বর্ম্মনা হায়খি, মদুদি দি এ/দি আরগী



ইন্সটোলমেন্টদা হেনগৎলকপা অসিনা পুন্না রিগুল্লর ইমপ্লোয়ি ১,০৪,৬০০ অমদি পেন্সনর ৮০,৮০০ রোম কান্নহল্লগনি। মসিগী মথক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা দি আর দব্লিয়ু এস/এম আর দব্লিয়ু এস পি টি দব্লিয়ু/কন্টিঞ্জেন্ট অসিনচিংবগী ৱার্করশিংনা ৱানা থবক তৌবগী কম্পেন্সেসনসু শিংথানিংঙাই ওইবা চাংদা হেনগৎহন্নবা মরু ওইবা ৱারেপ অমসু লৌরে।

মখোয়গী রিম্যুনরেসন অমসুং খুৎশুমলশিং হৌজিক লৈরিবা চাংদগী চাদা ৫০ ফাওবা হেনগৎলগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

থাগী রিম্যুনরেসনদা হেনগৎপা অসিনা দি আর দব্লিয়ু/কন্টিঞ্জেন্ট/পার্ট-টাইম অসিনচিংবা ৱার্কর ৮৬০০ হেনবসু কান্নহল্লগনি হায়নসু দেব বর্ম্মনা ফোঙদোকখ্রে।

# সিক্কিম গভর্ণমেন্টনা কোভিদ এদভাইজরি ইস্যু তৌখ্রে, ফেস মাস্ক শীজিন্নবা কম্পলসরি ওইরগনি

গেংটোক, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সি):

ন্যু ইয়র সেলেব্রেসনগী মাঙওইননা সিক্কিম গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না ইনগদবা কোভিদ ১৯ এদভাইজরি অমা ইস্যু তৌখ্রে।

মালেমগী লৈবাক কয়াদা কোভিদ ১৯ কেস মীপায়নিংঙাই ওইবা মওংদা হেনগৎলকপগা লোয়ননা সিক্কিম গভর্ণমেন্টনা চেকশিন থৌরাং অমা ওইনা মী তিনবা মফমশিংদা ফেস মাস্কশিং শীজিন্নবা হায়বসি তঙাই ফদ্দনা তৌদবা য়াদ্রবা চেকশিন থৌরাং অমা ওইহল্লে। মসিগী ৱারেপ অসি হিমালয়ন ষ্টেট অসিদা ইনৌ নৌনা কোভিদ পেন্দামিক অমুক শন্দোরকপকা য়াবগী রিস্ক হন্থহন্নবগীদমক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকখিবনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সিক্কিমগী সিটিজনশিংদা মী তিনবা মফমশিংদা সোসল দিষ্টেন্স মেন্টেইন তৌনবা অমসুং ইন্টরনেসনেল ট্রাবেলশিং লেপ্পনবা পাউতাক পীখ্রে।

সিক্কিম গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা হাইজিন মেন্টেন তৌনবা অমসুং লায়না অসিগী লাইওং উৎলক্লবদি ডাক্তরশিংগা তান্ননবসু আপিল তৌখ্রে। মখা তানা সিক্কিম গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা হৌজিক ফাওবা ভেক্সিন কাপ্পুবশিংনা ভেক্সিনগী দোজ পুম্নমক কাপথোকপগা লোয়ননা ইলিজিবল ওইবশিংনসু বুষ্টর দোজশিংসু কাপথোক্লবা মখা তানা আপিল তৌখ্রে।

# অসামদা লোনা য়াদবা মওংদা কোল মাইনিং লেপ্তনা চথরি: এ জে পি

গুৱাহাটি, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সি):

অসামদা লোনা য়াদবা মওংদা কোল মাইনিং অমদি স্মগ্লিং মখা তানা কন্না চথরি হায়না অসাম জাতিয়া পরিষদ (এ জে পি) গী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এ জে পিগী প্রসিদেন্ট লুরিনজ্যোতি গোগোইনা ষ্টেট অদুগী কোল সিন্দিকেট অদু কেটেল সিন্দিকেটতগী য়াম্না হেন্না চাওই হায়না ক্লেম তৌখ্রে। এ জে পিগী প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খি, মদুদি ইল্লিগেল মাইনিং অমসুং লম মাঙহন তাকহনবগী থবক অয়াম্বা অপ্পর অসামদা থোক্লি। কোল সিন্দিকেটকী খুথাংদা য়াম্লবা শেনফমশিং চাইথোক্তুনা লৈরবসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মদুদগী কান্নবা অমত্তা লৌবা ঙমদনা লৈরি হায়নসু মহাক্না



ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি লোনা য়াদবা মওংদা কোল মাইনিং চথরিবা সিন্দিকেট অদু সর্বনন্দ সোনোৱালনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট লৈরিঙৈদগী হেন্না চাওথোরক্লে। গ্রিন ট্রাইবুনেলনা কোলগা মরী লৈননা রেট হোল মাইনিংগী থৌওংশিং চথবদা অথিংবা থমখিবা লৈরবসু ষ্টেট অদুদা ইল্লিগেল মাইনিং লেপ্তনা চথরি হায়নসু ফোঙদোকখি। হান্না মহৈরোয়শিংগী লুচিংবা ওইরম্বা এ জে পিগী লুচিংবা অসিনা মখা তারদুনা রুল্লিং পার্টিগী মীওইশিং ফাওবা সিন্দিকেট অসিদা চেন্নে হায়না ক্লেম তৌখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি রুল্লিং পার্টিগী মীওইশিং সিন্দিকেট অদুদা চেন্নে হায়বসি খঙলবা ফাওবদা সিএমনা ফিভম অদু লাকশিনবা ঙমদবদা নত্তনা মদুবু অমুক্তা পনবা ফাওবা লৈতে। অসিগুম্বা ফিভমশিং অসিদা এ জে পিনা খুদক্তা কোল ফঙননবা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা চথরিবা উচি মখুনগুম্না হুৎলগা মাইনিং তৌবগী থবকশিং খুদক্তা থিংননবা অমদি অসিগুম্বা মাইনিংগী মায়োক্তা অকনবা লিগেল এক্সনশিং লৌখৎনবা দিমান্দ তৌরি।

ইল্লিগেল মাইনিং অদুদা চেন্নরিবা মীওই পুম্নমক মখোয়গী পোজিসনশিং অমদি হৌরকফমশিং অমত্তা য়েংদনা ফাগদবনি অমসুং জুদিসল ইনক্কারি লাউথোক্কদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা দিমান্দ তৌখি।

# কংগ্রেসনা ট্রিপুরা, মেঘালয়া অমসুং নাগালেন্দগী এসেমব্লি মীখলশিংগী ওবজার্বরশিং খনখ্রে

শিল্লোং, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সি):

মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মেঘালয়া, ট্রিপুরা অমসুং নাগালেন্দগী এসেমব্লি মীখলশিংগীদমক্তা কংগ্রেসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওবজার্বরশিং খনখ্রে।

পার্টিগী এমপি মুকুল ৱাস্নিকপু ষ্টেট অহুমসিগী সেনিয়র ওবজার্বর ওইনা খনখ্রে। কংগ্রেসনা ষ্টেটশিং অসিগী ওবজার্বর ২-২ এপোইন্ট তৌখি। পার্টিনা ওফিসল কম্যুনিকেসন অমদা হায়, ষ্টেট অহুমগী ২০২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলশিংগীদমক কংগ্রেস প্রসিদেন্টনা সেনিয়র ওবজার্বর অমসুং ওবজার্বরশিং খল্লে। এপোইন্টমেন্টশিং অদু খুদক্তগী চৎনরগনি।

রাজ্য সভাগী এমপি মুকুল ৱাস্নিকপু ষ্টেট অহুমগী এসেমব্লি মীখলগী সেনিয়র ওবজার্বর হাপখিবগা লোয়ননা কেরলাদগী পার্টিগী এমপি বেনি মেহানন অমসুং হান্নগী এমপি জেদি সিলামবু মেঘালয়াগী এসেমব্লি মীখলগী ওবজার্বর খনখি। নাগালেন্দগী ওইনা এমপিশিং ওইরিবা গৱাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফ্রান্সিস্কো সিরদিনহা অমসুং এ জয়াকুমারবু ওবজার্বরশিং ওইনা এপোইন্ট তৌখি অমসুং কংগ্রেসকী দিল্লি য়ুনিটকী লিদর অর্বিন্দর সিংহ লভলি অমসুং পার্টিগী এমপি অব্দুল খালেকপু ট্রিপুরা এসেমব্লি মীখলগী ওবজার্বরশিং খনখি। কংগ্রেসনা লৈঙাক্কী পৱার পায়বগী টার্গেট থল্লিবা অৱাং নোংপোক ষ্টেট অহুমগী এসেমব্লি মীখলশিং মথং চহী ২০২৩ গী অঙনবদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।




ওল মণিপুর মুস্লিম ৱিমেন দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী রিফোর্মেসন প্রোগ্রামদা দাইস মেম্বর ওইখিবশিং লেংয়ান ফি কত্তুনা ইকাইখুম্নবা উৎখিবা

## CROSSWORD-3744



**ACROSS**

1 Puppet moved by strings (10)
7 Opposite (8)
8 Smell strongly (4)
9 Greek god of love (4)
10 Futile (7)
12 Scapegoat (8,3)
14 Baltic country (7)
16 Young horse (4)
19 Pound (4)
20 Needy (8)
21 Branch of mathematics (10)

**DOWN**

1 Elk (5)
2 Pasta dish (7)
3 Monstrous giant (4)
4 Late afternoon church service(8)
5 Austrian province (5)
6 Largest of the Channel Islands(6)
11 One who looks on the bright side (8)
12 Clean the dishes (4,2)
13 Fetched (7)
15 Command (5)
17 Pick-me-up (5)
18 The first man (4)

**Solution 3743**



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5042

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | | | | | | | | |
| 2 | | | 1 | 7 | | | | 6 |
| | 9 | | | | 6 | 8 | 5 | |
| | 2 | 3 | | 9 | | | | 5 |
| | | | | 8 | | | | |
| 5 | | | | 2 | | 7 | 4 | |
| | 5 | 2 | 4 | | | | 6 | |
| 4 | | | | 1 | 9 | | | 2 |
| | | | | | | | | 9 |

### Solution-5041

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 9 | 8 | 3 | 7 | 6 | 1 | 2 | 5 |
| 7 | 2 | 1 | 4 | 9 | 5 | 8 | 3 | 6 |
| 3 | 6 | 5 | 8 | 2 | 1 | 4 | 7 | 9 |
| 8 | 7 | 4 | 2 | 5 | 9 | 6 | 1 | 3 |
| 6 | 1 | 9 | 7 | 3 | 8 | 5 | 4 | 2 |
| 2 | 5 | 3 | 1 | 6 | 4 | 7 | 9 | 8 |
| 1 | 3 | 7 | 6 | 8 | 2 | 9 | 5 | 4 |
| 5 | 4 | 6 | 9 | 1 | 3 | 2 | 8 | 7 |
| 9 | 8 | 2 | 5 | 4 | 7 | 3 | 6 | 1 |

## EMPLOYMENT NEWS

### IIT GUWAHATI RECRUITMENT 2022 FOR ASSISTANT PROFESSOR, MORE VACANCIES

Indian Institute of Technology Guwahati Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies Recruitment 2022: Advertisement for the post of Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies in Indian Institute of Technology Guwahati. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 31 January 2023. Candidates can check the latest Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment 2022 Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies Vacancy 2022 details and apply online at the www.iitg.ac.in/ recruitment 2022 page.
Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.iitg.ac.in/. Indian Institute of Technology Guwahati selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.iitg.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati) invites applications for recruitment of Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies
Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies
Job Location:
Indian Institute of Technology, Guwahati, 781039 Assam
Company Indian Institute of Technology Guwahati
Job Role Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies
Education Requirement M.Phil, Ph.D
Total Vacancy Various Post
Job Locations Guwahati
Experience 3 - 15 years
Salary Not Disclosed
Posted on 19 Dec, 2022
Last Date To Apply 31-01-2023
Educational Qualification: M.Phil/Ph.D
Skills / Eligibility
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on a written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies in IIT Guwahati.
How to Apply:
Candidates who wish to apply for IIT Guwahati Recruitment 2022 must complete the application process before 31/01/2023. Here we have attached the complete procedure to apply for the IIT Guwahati Recruitment 2022 along with the application link.
Step 1: Go to the IIT Guwahati official website iitg.ac.in
Step 2: In the official site, look out for IIT Guwahati Recruitment 2022 notification
Step 3: Select the respective post and make sure to read all the details about the Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies, qualifications, job location, and others
Step 4: Check the mode of application and apply for the IIT Guwahati Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 22 December 2022
Last date for application is: 31 January 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### INDIAN ARMY INVITES APPLICATION FOR STENO GRADE-II RECRUITMENT 2022

The Indian Army Steno Grade II Recruitment 2022: Advertisement for the post of Steno Grade II in The Indian Army. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 09 January 2023. Candidates can check the latest The Indian Army Recruitment 2022 Steno Grade II Vacancy 2022 details and apply online at the indianarmy.nic.in/ recruitment 2022 page. The Indian Army Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ indianarmy.nic.in/. The Indian Army selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed in Delhi. More details of indianarmy.nic.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Indian Army
invites applications for recruitment of Steno Grade-II
Steno Grade-II
Education Requirement 12TH
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Jorhat
Experience Fresher
Salary 25500 - 81100(Per Month)
Educational Qualification: 12TH
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 25500 - 81100(Per Month)
Age Limit: 18-27 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Steno Grade II in Indian Army.
How to Apply:
Candidates who wish to apply for Indian Army Recruitment 2022 must complete the application process before 09/01/2023. Here we have attached the complete procedure to apply for the Indian Army Recruitment 2022 along with the application link.
Step 1: Go to the Indian Army official website indianarmy.nic.in
Step 2: In the official site, look out for Indian Army Recruitment 2022 notification
Step 3: Select the respective post and make sure to read all the details about the Steno Grade II, qualifications, job location, and others
Step 4: Check the mode of application and apply for the Indian Army Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 21 December 2022
Last date for application is: 09 January 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং :
হিয়াং অপাইবী

ইবা অমসুং য়েকপা :
সমসন সলাম







